# সি এস সি ৱাঙ্খৈনা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্ক্যাটিক চেম্পিয়ন্সিপকী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে



ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭ঃ

মণিপুর স্বীম্মীং এসোসিয়েসনা শিন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৭ ফাওবা তোঙান-তোঙনবা য়ুনিট ১৮ দগী লাকপা নুপামচা স্বীমর ১০৫ অমদি নুপীমচা স্বীমর ৬৫না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা লৈবা স্বীম্মীং পুলদা চত্থরকপা ৩৫শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্কাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন সেন্ট্রেল স্বীমিং ক্লব ( সি এস সি) ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা গোল্ড মেদল ১৯,সিলভর মেদল ১০ অমদি বোঞ্জ মেদল ১ পুন্না মেদল ২০ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখি।

অদুগা টিম রন্নস অর্পনা মহরাজ গরিবনিৱাজ মেমোরিয়েল ক্লব ( এম জি এম সি ) ৱাংখৈনা গোল্ড মেদল ১০,সিলভর মেদল ১৩ অমদি বোঞ্জ মেদল ১১ পুন্না মেদল ৩৪ ফংদুনা টিম রন্নস অর্প তাখি।

ঙসি হুমনিচনবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপামচা গ্রুপ-৩গী ৫০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা এম জি এম সিগী টিঐচ গৌতমনা মিনট ০০ঃ৩০ঃ৫২১ দা অহানবা,সি এস সিগী ঐচ নাওবা শর্ম্মানা মিনট ০০ঃ৩১ঃ৪৯৫ দা অনীশুবা অমদি এম জি এম সিগী ঐচ তেলহৈবানা মিনট ০০ঃ৩১ঃ৮৩৯ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-৩গী ৫০ মিটর ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকদা টি ৱাই সিগী কে কিভার্শিরিনা মিনট ০০ঃ৪৩ঃ০৬০ দা অহানবা ,সি এস সিগী এল রিটিকা চান্নুনা মিনট ০০ঃ৪৫ঃ৫২৬ দা অনীশুবা অমদি ই এস য়ুগী গাইত্রি থৌদামনা মিনট ০০ঃ৫৪ঃ০৯৩ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচা গ্রুপ-২গী ৫০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা সি এস সিগী ঐচ এলীসনা মিনট ০০ঃ২৮ঃ৫৪০ দা অহানবা ,এস অথৌবা মৈতৈনা মিনট ০০ঃ২৮ঃ৬৪১ দা অনীশুবা অমদি এম জি এম সিগী মহান্দা টিঐচনা মিনট ০০ঃ২৯ঃ০৮৬ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-২গী ১০০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা সি এস সিগী দীকালু পানমৈনা মিনট ০১ঃ১০ঃ৫৫০ দা অহানবা, এম জি এম সিগী অদীর্শিরি থৌনাওজমনা মিনট ০১ঃ১৮ঃ২৩২ দা অনীশুবা অমদি এম বীনিতা চান্নুনা মিনট ০১ঃ২০ঃ৪৬৬ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচা গ্রুপ-২গী ৫০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা এম জি এম সিগী হীরেন শগোলশেমনা মিনট ০০ঃ২৬ঃ৫৫৯ দা অহানবা ,এস পুন্সিবা মৈতৈনা মিনট ০০ঃ২৭ঃ৭০০ দা অনীশুবা অমদি ঐচ এল এস ৱাই দি ওগী এম শাইওনঙাম্বানা মিনট ০০ঃ৩৩ঃ৮৫৪ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচা গ্রুপ -২গী ৫০ মিটর বাটরফ্লইদা এম জি এম সিগী এস অথৌবা মৈতৈনা মিনট ০০ঃ৩০ঃ৭৮৯ দা অহানবা,এস ই দি ও সিগী অবীনাসনা মিনট ০০ঃ৩৩ঃ১৪০ দা অনীশুবা অমদি সি এস সিগী এল রাকেসনা মিনট ০০ঃ৩৩ঃ৯৯০ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-৩গী ৫০ মিটর বেক ষ্ট্রোকদা সি এস সিগী এল রীটিকা চান্নুনা মিনট ০০ঃ৪১ঃ৬৬৯ দা অহানবা,ই এস য়ুগী গাইত্রি থৌদামনা মিনট ০০ঃ৪৫ঃ৮৬০ দা অনীশুবা অমদি এন এল এমগী ঐচ ইঞ্জালীয়ানা মিনট ০০ঃ৪৮ঃ০৩০ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-২গী ৫০ মিটর বেক ষ্ট্রোকদা এম জি এম সিগী এল জেসিকা চান্নুনা মিনট ০০ঃ৩৫ঃ৯০৬ দা অহানবা,ই এস য়ুগী য়াইফাবী টিঐচনা মিনট ০০ঃ৩৮ঃ২৫০ দা অনীশুবা অমদি এম জি এম ু সিগী অদীর্শিরি দেবীনা মিনট ০০ঃ৪২ঃ৪৯৪ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-২গী ২০০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা সি এ সিগী দীকাল্লু পানমৈনা মিনট ০২ঃ৩৭ঃ৩১০ দা অহানবা,এম জি এম সিগী এম বীনিটানা মিনট ০২ঃ৫৭ঃ২৬৬ দা অনীশুবা অমদি ঐচ এপীলিকানা মিনট ০৩ঃ৩৭ঃ৪০৭ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচা গ্রুপ-২গী ৫০ মিটর ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকদা কে কে দি এগী এন জেন্সনা মিনট ০০ঃ৩২ঃ৬১২ দা অহানবা ,এম জি এম সিগী মহানন্দা থোকচোমনা মিনট ০০ঃ৩৬ঃ৬৪৭ দা অনীশুবা অমদি এন এল ,মগী তেলহৈবা টিঐচনা মিনট ০০ঃ৩৬ঃ৮৭০ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-৩গী ১০০ মিটর বেক ষ্ট্রোকদা সি এস সিগী এল রীটিকা চান্নুনা মিনট ০১ঃ৩৩ঃ৪৫৪ দা অহানবা,ই এস য়ুগী গাইত্রি থৌদামনা মিনট ০১ঃ৪৪ঃ৫০০ দা অনীশুবা অমদি এন এল এমগী ঐচ ইঞ্জালিয়া দেবীনা মিনট ০১ঃ৪৭ঃ৪৬০ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচা গ্রুপ-২গী ৪০০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা এম জি এম সিগী এল জেসিকা চান্নুনা মিনট ০৫ঃ৪৯ঃ৫৭৯ দা অহানবা,ই এস য়ুগী য়াইফাবী টিঐচনা মিনট ০৬ঃ১১ঃ৩২০ দা অনীশুবা অমদি এম জি এম সিগী ঐচ এপীলিকা দেবীনা মিনট ০৭ঃ৫৫ঃ০০০ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচা গ্রুপ-৩গী ১০০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা সি এস সিগী ঐচ নাওবা শর্ম্মানা মিনট ০১ঃ০৯ঃ৭৭৮ দা অহানবা,এম জি এম সিগী ঐচ তেলহৈবনা মিনট ০১ঃ১৭ঃ৮০০ দা অনীশুবা অমদি এন এল এমগী রীচি অচোমনা মিনট ০১ঃ২৩ঃ২৪১ দা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচা গ্রুপ-২গী ১০০ মিটর ব্রেষ্ট ষ্টোরকদা কে কে দি এগী এন জেসন মৈতৈনা মিনট ০১ঃ১৮ঃ৭৮১ দা অহানবা,এম জি এম সিগী মহানন্দা থোকচোমনা মিনট ০১ঃ২০ঃ৭৯৭ দা অনীশুবা অমদি এন এল এমগী এস তেলহৈবনা মিনট ০১ঃ২২ঃ৮৮৮ দা অহুমশুবা তাখি।

চেম্পিয়নন্সিপ অসিগী মনা মথুম য়েঙ্গোকপগী থৌরমদা পুনেদা পাঙথোকখিবা ৩৫ শুবা সব জুনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা গ্রুপ-৪গী ৫০ মিটর ইন ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকদা সিলভর মেদল ফংলকখিবা ঐচ নাওবা শর্ম্মা,পুনেদা পাঙথোকখিবা ৪৫শুবা জুনিয়র নেসনেল এক্ক্যাটিক চেম্পিয়ন্সিপতা ৫০ মিটর ফ্রি-ষ্টাইলদা বোঞ্জ মেদল ফংলকখিবা হীরেন শগোলশেম অমদি কাজকস্টানদা পাঙথোকখিবা মাষ্টর ইন্টরনেসনেল স্বীমিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা এজ গ্রুপ ৩৫-৩৯গী ১০০ মিটর ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক,৫০ মিটর ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক অমদি ৫০X ৪ রেল্লি ষ্ট্রোকদা সিলভর মেদল ফংলকখিবা শলাম জয়েন্তাদা ওল মণিপুর স্বীমিং এসোসিয়েসননা অচম্বা খুদো পীদুনা ইকাই খুম্নাবা উৎখি।

চেম্পিপয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা স্বীমিং ফেদরেসন ওফ ইনিদয়াগী জোইন্ট সেক্রেটরি ৱাই বুধাচন্দ্রা সিংহ,য়াসগী ট্রেনিং এন্দ কোচিংগী ডিপুটি ডাইরেক্টর এল মুহিন্দ্রো অমদি মণিপুর স্বীমিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টিঐচ শ্যামসুন্দরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েঙ্গোকখি।

# অনীশুবা টি য়ু এফ সি ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট এন এম এল এস সি অমদি অঙথা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ঃ

টুলিহল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (টি য়ু এফ সি )না শিন্দুনা থা অসিগী ১৬ দগী টি য়ু এফ সি গ্রাউন্দা টিম ২০ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অনীশুবা টি য়ু এফ সি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং দা এম এম এল এস সি ঙারিয়ান অমদি অঙথা য়ুনাইটেদ পবজি মায় পাকখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদনা এন এফ সি ঙারিয়ান অমদি ৱাই বি আই সি বামোন লৈকাই অমসুং এল ৱাই সি লাইখোং অমদি টি য়ু এফ সি (বি) টুলিহল দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এন এম এল এস সি ঙরিয়াননা সুন্দর এফ সি কৈথেলমানবীবু গোল ৫-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এন এম এল এস সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর



১০ রাজুনা মিনট ১৮,অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ রাজাগনা মিনট ২৮,জর্সি নম্বর ৮ সুধিরনা মিনট ৩৭দা গোল অমমম অদুগা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৭ মুষ্টোফানা মিনট ৩১ অমদি ৩৯ দা চনখি।

মায়থিরবা সুন্দর এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ এম নারেননা মিনট ৭ দা চনখি।

৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এল ৱাই সি লাইখোং অমদি টি য়ু এফ সি (বি) টুলিহল গোল চন্নদনা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা গ্রাউন্দা অঙথা য়ুনাইটেদ পবজিনা টি য়ু এফ সি (এ) টুলিহলবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা অঙথা য়ুনাসটেদ পবজিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ কে ভারতনা চনখি।

৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দা ৱাই বি আই সি বামোন লৈকাই অমদি এন এফ সি ঙরিয়ান গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

ৱাই বি আই সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৬ অজমির খাননা মিনট ১২ অমদি অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ২৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ ইতোম্বিনা চনখি।

এন এফ সিগী গোলশিং অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৫ এন কে অরাফাটনা মিনট ২৬ অমদি মিনট ২ কান্নরগা মিনট ২৬ দা জর্সি নম্বর ১৭ কে ঐচ অনীসনা চনখি।

# সীভন্দা ১১ নাচৌ অমদি পি ই দি দব্লিউ এ পোৎশংবম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ঃ

কুম্বী আদর্শ য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও) কুম্বীনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেশিক্তা কুম্বী কাংজৈবুংদা চত্থরিবা অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি ২০১৯ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং দা সীভন্দা ১১ নাচৌ অমদি পি ই দি দব্লিউ এ পোৎশংবম মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা সীভন্দা ১১ নাচৌনা কে এফ সি কৈবুলবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সীভন্দা ১১গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ গান্ধিনা মিনট ১২,অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৫ সুমন্তানা মিনট ২২,জর্সি নম্বর ৮ বিদিয়ান্দনা মিনট ২৩ অমদি জর্সি নম্বর ১২ অজেনা মিনট ৪০ দা চনখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা পি ই দি দব্লিউ এ পোৎশংবমনা এস ৱাই সি শগাংবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পি ই দি দব্লিউ এগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ রোমেসনা মিনট ১২ অমদি ১৭ দা গোল ২অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবপা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১২ ধনাচন্দ্রানা মিনট ২৫ অমদি জর্সি নম্বর ১০ ইমরামনা মিনট ৩৫ দা চনখি।

মায়থিরবা এস ৱাই সি শগাংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪০ দা জর্সি নম্বর ৭ জোসনা চনখি।

# অহানবা এম সি এ রাজনিংথৌ নীংশিং ট্রোফি অল অমিন অমদি য়ু সি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী টিম ১২ না গ্রুপ-২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৱাই সি দব্লিউ ও গ্রাউন্দ শগোলবন্দ হৈনৌপোক অমদি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা চত্থগদবা অহানবা এম সি এ অন্দর-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নিংশিং ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অল অমিন লিলোং অমদি য়ু সি সি উরিপোক মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচ ওইনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবদা অল অমিন লিলোংনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু রন ৮৯ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা অল অমিন লিলোংনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬৮ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওভর ১৩.৩ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৮০ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৮৯ দা মায়থিবা নংখি।

অল অমিনগী বেট্টিংদা অলফাসনা বোল ৪৭ দা রন ৪২,জামিরনা বোল ৬৮ দা রন ৩১ অমদি অকিফ হুসেননা বোল ১৩ দা রন ১১ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিং দা সৌবম রোবিন্সনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ২,হেরোজিৎনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ২,শেরাম রোবিন্স অমদি মনিকান্তনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিং দা রিচাটনা বোল ৩০ দা রন ২৩ লৌখি।

অল অমিন লিলোংগী বোল্লিং দা ৱাকরনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ৩,ৱাকিলনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ অমদি জামিরনা ওভর ২ দা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা অল অমিন লিলোংগী ৱিকেট ২ অমদি রন ৩১ লৌখিবা জামিরনা তাখি।

১১শুবা মেটচ ওইনা হৈনৌপোকপা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা য়ু সি সি উরিপোকনা ওস্কার পাউনা বজারবু ৱিকেট ২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ওস্কার পাউনা বজারনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা ওভর ১৮.৫ দা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ৭৭ খক লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা য়ু সি সি উরিপোকনা ওভর ১৫.৩ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৭৮ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ২ দা মায় পাকখি।

ওস্কার পাউনা বজারগী বেট্টিং দা ভিবেক প্রসাটনা বোল ৩৩ রন ১৭ লৌখি।

য়ু সি সি উরিপোককী বোল্লিং দা অদিটিয়া প্রাসাটনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ৩,লয়াবা অমদি অরবিননা ৱিকেট ২ /২ লৌখি।

য়ু সি সিগী বেট্টিংদা অরবিননা বোল ১৬ দা রন ১৬ লৌখি।

ওস্কারগী বোল্লিংদা লালুকুমারনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩ অমদি সুরজ কুমারনা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা য়ু সি সিগী ৱিকেট ২ অমদি রন ১৬ লৌখিবা অরবিননা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৯ দা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা পি টি সি সি পার্টসোই অমদি টি সি এম দি সি থোংজুগা শান্নগনি।

অদুগা হৈনৌপোকপা গ্রাউন্দনা য়ু সি সি উরিপোক অমদি অল অমিন লিলোংগা শান্নগনি।

# অহুমশুবা ৱাই দি সি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ চরাংপাৎ অমদি খোইরোম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭ঃ

য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোইরোম্মা শিন্দুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাঙজৈবুংদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী চত্থরকপা ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ-সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা চরাংপাৎ এফ সি অমদি খোইরোম এফ সি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা চরাংপাৎ এফ সিনা থোই এফ সিদ চরাংপাৎবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাঙজৈবুংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চীংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী-মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্তশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি গী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চরাংপকাৎ এফ সিনা অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্নবা হোৎনন্নরক্তুনা এটেক হেঞ্জিলক্তুনা থোই এফ সিগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা প্রেসর পীশিনখি।

চরাংপাৎ এফ সিনা হোৎনন্নবা কনবগী মহৈ অদু মেটচকী মিনট ৩৪ চৎপদা ফংদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ সুরজনা থোই এফ সিগী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা চরাংপাৎ এফ সিবু সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

মেটচ অসিদা থোই এফ সি চরাংপাৎকী জর্সি নম্বর ৮ সন্দিপ অমদি চরাংপাৎ এফ সিগী জর্সি নম্বর ৬ রাহুলদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা খোইরোম এফ সিনা অঙথা এফ এফ সিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদগী খোইরোম এফ সিনা বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবগীদমক অঙথা এফ এফ সিগী গোল কিপ্পরবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌরকখি।

মেটচ হৌরকপগী মিনট ৩ খক চৎপদা খোইরোম এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ সুধিরনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু খোইরোম এফ সিনা বোল পোসিসন হন্থাদনা শান্দুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনন্নখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২০ দা খোইরোম এফ সিগী জর্সি নম্বর ১২ গুজানা অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা খোইরোম এফ সিনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীৗবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা অঙথা এফ এফ সিনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনন্নরকখি।।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ২২ চৎপদা অঙথা এফ এফ সিগী জর্সি নম্বর ১২ ইন্দ্রাজিৎনা গোল হন্দোক্তুনা ২-১ দা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল শোত্থরিবা অঙথা এফ এফ সিনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনন্নরবসু ঙমদবদগী মেটচ অসি খোইরোম এফ সিগী মখুৎত্তা গোল ২-১ দা মায়থিবা নংদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা খোইরোম এফ সিগী জর্সি নম্বর ৫ জয়কিসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# অহানবা ইপূথৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯ হৌখ্রে এন পি ৱাই সি অমদি ই য়ু এস সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭ঃ

ইষ্টর্ন লাইওন ক্লব (ই এল সি) নোংগদা অমদি ইষ্টর্ন য়ুনীক ক্লব (ই য়ু সি) কমেং অনীনা শীন্দুনা ই এল সি অমদি ই য়ু সিগী গ্রাউন্দা টিম ১৬ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৫ দগী চত্থরকপা অহানবা ইপূথৌ পুরৈরোম্বা কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মরীশুবা মেটচতা এন পি ৱাই সি চানা অমদি ই য়ু এস সি তেলৌ গোল ২-২ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।



মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এন পি ৱাই সিনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা ই য়ু এস সিনা গোল অনী অমদি এন পি ৱাই সিনা গোল অমাগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি দ্রো চৎত্তুনা টিম অনীনা পোইন্ট য়েন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এন পি ৱাই সি চানা না বোল হেনা পায়রাগা য়াংনা শান্দুনা ই য়ু এস সি তেলৌবু লাকশিন্না শান্নখি।

মেটচকী মিনট ১৬ চৎপদা এন পি ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৯ কে এস ঐচ কাউবনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হেক হৌরকপা মিনট ৪৪ চৎপদা এন পি ৱাই সি চানাগী জর্সি নম্বর ৮ এন ইনুংঙানবনা ই য়ু এস সিগী গোল কিপ্পরবু তুংওইনরম্লাগা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল অনী মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদা মেটচ অসি মায়োন অমদা লাক্তুনা ই য়ু এস সিনা মেটচ অসি অমুক লাকশিন্না শান্নারকখি।

ই য়ু এস সিনা শোত্থরিবা গোল অদু চান্নাগী অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৪৭ দা জর্সি নম্বর ২ পি অজিৎনা গোল হন্দোক্তুনা ২-১ দা লৈখি।

তেলৌগী অনীশুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ টিঐচ রমান্দানা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ৩ দা গোল চন্দুনা মেটচ অসি মায়থিগদবগী ক্লহৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগদবা মেটচতা তোম্বা এফ সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

# অনীশুবা পি ঐচ ধর্মচন্দ্রা নীংশিং ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৭ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই এস এস য়ু আন্দ্রানা স্পোন্সর তৌরগা অন্দ্রো মাচেংপাৎ য়ুঠ ক্লব ( এ এম ৱাই সি ) শিন্দুনা এ এম ৱাই সিগী গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১২ দগী চত্থরকপা অনীশুবা পি ঐচ ধারমাচন্দ্রা সিংহ নিংশিং ষ্টেট লেভেল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই এম দি ওনা কে এল ৱাই এস সিবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই এম দি ওনা পোইন্ট ২৩-২৫,২৫-২৩,২৫-১৮,২৫-১৯ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা মেটচতনা আই জি ওনা টি ৱাই দব্লিউ সিবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা আই জি ওনা পোইন্ট ২২-২৫,২৫-১৭,২৬-২৪,২৫-১৮ স্কোর তৌখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com